তাংখুলগী য়ারী শীংবুল

য়াই, কে, শিমরে



মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী,
ইম্ফাল।

ফোঙবা :   মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফাল।

মখুম :   প্রোফঃ শ্রীতোম্বীসিংহ, থোয়দিংজম।

ফোঙবা চহী :   ১৯৭৬।

মশীং : [illegible]



মমল : [illegible] ।

নম্ফম :

ভাগ্যবতী কার্য্যালয়,

চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস

শগোলবন্দ, ইম্ফাল।

অ-ইবগী মরমদা।

শ্রীরাই, কে, শিমরে জানুয়ারিগী তাং ৯, ১৯২০ দা উখ্রুলগী খুঙ্গং অমদা পোকপনি। মহাক তাংখুল লোনগী ময়াম্না মশক খঙনরবা স্কোলার অমনি। শোক ১৯৩৭ তা জোরহাত খৃষ্টিয়ান হায় স্কুলদগী মেট্রিক পাস তৌরবা মতুংদা ঢাকাগী আশানুল্লা স্কুল অফ ইঞ্জিনিয়ারিংদগী ওভরসিয়ার কোর্স লোইশিনখি। উখ্রুল গভর্ণমেণ্ট এম, ই, স্কুলগী হেড মাষ্টর ওইনা মতম খর লৈরম্লগা পি, ডব্লিউ, ডিপার্টমেণ্টতা এসিষ্টেণ্ট ইঞ্জিনিয়ার ওইনা থবক পুখি। অদুবু থরাইনা পামজরুবদি লাইরিক ইবনি। তোঙান তোঙানবা বিষয়শিংদা লাইরিক কয়ামরুম ইরে। হৌজিকস্থ সভা সমিতি কয়াগী অচংবা সদস্য ওইনা থবক পুরি। কোংলবা লাইরিকশিংগী মনুংদা তাংখুল লোন্দা ইবা 'পিলগ্রিমস প্রোগ্রেস' (১৯৪২) মমিং পনবা য়াই।

অফোঙবগী ৱাহৈ অমনিদং।

মণিপুরগী চীং অমস্তুং তম শকখঙননবা অমস্তুং খঙনবদগী পোকলকপা হুংশিনবা অহু পুৱক্লবা একাদেমী অসিনা পায়খৎচরিবা থবক কয়াগী মন্নুংদা চীংলমদমগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী ৱারীশীংবুন (ফোক লোর) গী পরিং অমা চথজরকপা অসিনি। অহানবা ওইনা তাংখুল কাংলুপকী ওইনা খ্বায়না শকখঙনবীরবা স্কোলার, শ্রীৱাই, কে, শিমরেনা থবক অসি পায়খৎপীরে। মসিনা তাংখুল কাংলুপপু শক তাকপতস্তু নত্তনা চীংগা তমগা লৈনরিবা মরী অসিদস্তু ফনা নীংথিজনা খঙহনবা ঙম্লগনি থাজে।

চথজরিবা অসি লোন অনিদনি। অমনা মণিপুরী লোন্দা অমস্তুং অতোপ্পা অমনা চীংগী লোন্দা। অসিনা মণিপুরী খঙলবস্তু মমারোনবু হুংশিজবা চীংমী ইচিন্নাউশিংগী খুদোং চাবা অমস্তু শীনজরি। হন্দক্কী তাংখুল লোনগীদি খরা তোয়না শীজিন্নখিবনা অমস্তুং লেখস্তু পামজবা মতুং ইন্না ৱোমান লিপিদা শীজিন্নরে।

অসিগুম্বা জাতিগী ওইবা দায়ীত্ব অসি লৌবীবগীদমক শ্রীৱাই, কে, শিমরেবু একাদেমীনা থাগৎচরি। মখুদগী ডিজাইন পুথোকপীবগীদমক শ্রীচিত্রেশ্বর শর্মাবুস্তু থাগৎচরি।

বাহৈদোক

'তাংখুল ফোক্-লোর' হায়বসি মৈতৈলোন অমসুং তাংখুল-লোন, লোন অনিদা ফোঙবনি। মসি তাংখুল ফুঙ্গা-ৱারীশিংগী মথক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা ইবনি। তাংখুল ফুঙ্গা-ৱারী অয়াম্বদি অশেংবা অওইবা, ইপা-ইপু হাক্তকুগী শরু-শোন্নরক্লবা ঈশৈ কয়ামকুম্না চুমই হায়না তাক্লবা ৱারী ঙাক্তনি! হুজিকসু, অহল-লম্মনশিংনা বিচার তৌবা মতমদা, উকিলশিংনা ৱায়েন-শংদা বিচার মতমদা আইনগী লাইরিকশিংদা য়াওফম মরী উৎপগুম্না ঈশৈশিং অসিদা তক্তনা থিনরি।

পিক্লবা লাইরিক অমদা তাংখুল ফোক্-লোরগী মওং শুনা উৎন নবগীদমক্ মশীং য়াম্লবা ফুঙ্গা-ৱারীশিংদগী খরদং য়াম্না ৱানা খন্দোক-চবনি। ৱারী খরদি মুংশি-মুংওনগী মওং উৎননবগীদমক অমসুং অশাংবা ৱারী কয়া খরদং তেন্শিন্হন্ননবগীদমক শৈরেং ওইনা ইজরে। অদুগা ঈশৈশিং অসিমক্তি অশেংবা তাংখুল ঈশৈ ঙাক্তনি।

লোনগী মওং অমদি মহৌশাগী অর্থ য়ারিবমখৈ কায়হন্দনবা অচম্বা ৱাহৈ অমসুং অতেনবা ৱারেং শীজিন্নদুনা ইজরে। ৱারীশিংসি নিংথিনা মুন্না পাবিরবদি তাংখুলগী কষ্টম্, ট্রেডিশন্, কলচর অমসুং ধর্ম্মগী হৌরক্-ফম্ থিবিবদা মতেং ওইগনি।

—অইবা—